ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ২১, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩৩৯ শুবা মশীং

# ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিনখিবা

## মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি

***নংহৌররোই*** মতাগুম মীখল ময়াদা মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্নবা থৌরাং তৌরে হায়বা ৱাহৌ অমসুং মতুং তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা থৌদোক্লা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলনা চথরকখিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ এন বিরেননা লূচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক লাকপদগী লোইশিনখ্রে। মণিপুরগী মীয়াম খমথেংনা ৱাহনবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি কৌখিবগী মরুওইবা মরমদি নাগাগী লম কম্যুনেল গভর্ণমেন্টনা থুগাইবীরে হায়বসিনি। মণিপুরদা নাগাগী লম নৎত্রগা মীতৈগী লম হায়বা অমা লৈতে হায়বসি য়াজবা ঙমদবা, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা ঙাইহাক লৈতনা শীংনবা কাঙবু অমনা তোংশিল্লগা চথখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অদুগী চৈথেংদি হৌজিকসু লৈরি। ইকনমিক ব্লোকেদ অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন কাংখোং চাইহনখিবা, তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংবা ঙমদবা অমসুং অফংবা খরনা মমল কা হেন্না ৱাংনা য়োলহনবা অমদি চীং অমসুং তমদা খুন্দারিবা মচিন-মনাওগী মরীদা নুংশিনদনবগী মৈরি চুখিবশিং অদুদি নুমিৎ-থানা লৈরিবমখৈ কোকপা ঙল্লোইদৌরি। ব্লোকেদ অসিগী শরুক অমা ওইনা তমেংলোং অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা গাড়ী কয়ামরুম মৈ থাখিবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবশিংগী মথক্তা হৌজিকসু লোগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি। মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ব্লোকেদ অসি য়ু এন সীনা লোইশিল্লে হায়রগা মখোয়না চথরিবা ক্রাইমশিং অদু কোকথোকপা হায়বসিমদি লৈবাক অসিগী লোনা কৈদৌনুংদসু য়ারোই। পুলিসনা ফারবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ অমসুং পল্লিসিটি সেক্রেটরি সংখেন ষ্টেফেনগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা লৌখৎখিবা এফ আই আরশিং লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না হন্দাক্তুনা মখোয়বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকখিবা হায়বসি ক্রাইম তৌবা মীওই লৈঙাক্লা শৌগৎলি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। লৈঙাক্কী ৱারেপ অসি তুংদা লমদম্নগদবা থৌওংনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরিবসিসু লৈঙাক্লা তাফম থোকই।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলগী পান্দম করিনো হায়বা মণিপুরগী মীয়াম্না খঙই। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট অসি নাগাশিংনা নম্না তাবনি হায়বদি য়াই অদুবু নাগাগী লমনি হায়না ক্লেম তৌরকপা হায়বসিদি মণিপুর মাঙ তাক্লবগী মশকনি। অসিগুম্বা ৱাফম অমদা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা হায়বসি খ্বাইদগী চুমদবা থৌওংনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমী মশেলনি হায়না লৌরগা অনৌবা লৈঙাক্লা মখোয়গা নুংশি-চান্ননা লোয়নবা অমসুং য়ানবা পুরক্তুনা ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোকখিবা হায়বসিমদি অনৌবা লৈঙাক অসিগী এচিভমেন্টনি হায়দবা য়ারোই। করিগুম্বা য়ানবা লৈরমদ্রবদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিল্লগা নমদুনা ব্লোকেদ হাংদোকহন্নবা হোৎনবদা ঈ-নাই তানবগী থৌদোক থোক্লম্বা য়াই। মদুনা হেন্না মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা থোক্লম্বসু য়াই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, মণিপুর লৈঙাক অমসুং য়ু এন সীগী লূচিংবশিংগী মরক্তা ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোক্লবগী য়ান-চেরোল অদু নুংদা ফুম্বা, ৱাহন্থোক কয়ামরুম থোক্লা হনবা য়াবা মচাক কয়ামরুম য়াওই। মায়কৈ অহুমগী ওইবা এগ্রীমেন্ট অদুদা য়ু এন সীনা তাল্লিবা দিমান্দ অমসুং মখোয়দা ফাওরিবা নুংঙাইতবশিং অদু লৈঙাক্লা খঙলে হায়রিবা অসিমকসু ৱাহন্থোক য়াম্না পুবা ৱাহৈ পরেংনি। চথখিবা ব্লোকেদ অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা খন্ন-নৈনরকপদা য়ু এন সীনা ফাওরিবা নুংঙাইতবশিং অদু নৌনা য়েংশিনগনি হায়বসিমক্লা মরম ওইরগা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী ৱারেপ অদু অমুক হন্দোকপা য়ারোই হায়না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুসু ৱাহন্থোক য়াম্না পুবা ব্লোকেদ লৌথোক্লবগী য়ান-চেরোল অদুদগী হায়রকপনি হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা কনাগুম্বা খরনা মতম চুপ্পদা শীংনদুনা লৈরি হায়বসি বি জে পিনা লূচিংবা অনৌবা লৈঙাক্লা খঙবা চুমগনি। ঙাইহাক্কী ওইবা চিনবানগী ফজবা ৱাহৈ খরনা মণিপুর থুগাইনবগী ৱারেপ তোকচখিগনি হায়না লৌবসু চুল্লোই। মীয়াম্না এন পি এফ হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী পান্দম করিনো হায়বা খঙই। অসিগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি অসিনা মণিপুর লৈঙাক পায়বা য়াওরকপা হায়বসিমক নাকল অমরোমদা য়েংলুরগদি থাগৎনিংঙাইনি অদুগা অতোপ্পা নাকল অমরোমদা য়েংলুরগনা কিনিংঙাইনি। অসিগুম্বা ফীভম ময়াম অসি য়েংলগা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মমাঙথক্তা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হন্দনবা লৌখিবা থৌদাং অদুগী পরিংদা থবক তৌরক্কনি হায়না খল্লি। মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবা মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন খূদিংমক্কী মায়োক্তা লেপমিন্নসি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## হুঙ

## লাইনিংথৌ সনামহি শিদবা শিদবী পাউজেল

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ওনরেবল** সী এম মিং ওইনা পঞ্জরবদা নোংথোম্বম বিরেনবু শওম্বুং ব্রাঞ্চকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি তখেলম্বা মনি লুৱাং সলাইরেল শিদবগী য়াথংনা তরাম্না থাগৎচবগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীজরি। অন আইদেন্টিফাইদ ফ্লাইয়িং ওবজেক্ট (য়ু এফ ও) সটজালনা পামজবদি য়ুনিভর্সিদা পীছ এন্দ লব, লাল লৈতবা মালেম অমা শেম্বদা নোংদম্বা মপূনা থৌজানবীরসনু। চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, লুচিংবা য়াওদবা লূপলোইদুদি মখোং য়াওদবা সগাইনি কনানা কনাদা...! হৌজিক য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গেনাইজেসন্না পুয়াবু অহিংবা পুয়া ওইহনবা মতম ওইরে। হৈঙাং, মারজিং হন্না চীংদগী পাখংসোই লুখুমদগী মতম কয়াদগী ঙাইজরকপা তাইবংঙম্বা ফাওরক্লে। মীরা-লাইরা থবক্লা খঙলনি। ওনরেবল অমদি মীয়াম পূন্নমক্তা পাউজেঞ্জরিবা ননাইদি চহী ১১ গী অঙাংনি। মমাগী খোমলাং মনম ফাওবা কোক্তরিবা, চারা মহাও খংদ্রবা, পুন্সি য়েরুম চিননাইদ্রিবনি ঙাকপীগনি।

মণিপুরগী ওনরেবল গভর্ণরগী মখাদা মার্চ ১৫, লমতাগী ১৮ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওনরেবল সী এম এন বিরেন ৱাশক লৌখ্রে। পূন্নমকপু থৌজালসু পীসি অদুগা মিকুপ নাহুম শিংনসু লৈসি। Fight everyone in the way of Allah and kill those who disbelive in Allah. Muhammad (ibn ishaq 992) ওনরেবল Bee + Land না য়াথং, অচুম্বদা তৌবিরম্মু, খোইবি নিংথৌ ইমাদি খৌরি য়ৌরে। Land - অপোকপী ইমাদগী লাপথোকপিনবা হায়জরি, চহী অমগী থারোই লমতা থা ওইবনা খারম লাই ফাওরকপা ইরমদম খোইরি নাউফম তারিবা পোক্লফম লমদম য়েলহৌমীনা করি খনবা মতম ওইরে? ব্লোকেদ লোইশিনবদু নত্তে ইমানা পামজবদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মীয়ামদা শিন্নৌ, অফস্পা লৌথোকউ। পামহৈবা নিংথৌনা ইরোম চাউবগী লোইনবী নমদুনা মৱা হাৎলগা লৈমরেন্বী ফম্বাল ওইহনবা অরোনবা ৱাশক ওইহনদনবা নোল্লুকচরি।

হৈঙাং পাৎতা শাৎপা থম্বাল মফম খুদিংদা শাৎহনবীয়ু। খাঙেলফমদা লৈবা তরেৎ শেলদাগী চেকশিনবীয়ু। লমদমসিদা খোইরিদু লৈখিবনি ইমাগী য়াথং ইল্লু। A man without money is a bow without an arrow. লৈবাক অমা লৈরবদি নিংথৌ অমা পানগনি হায়বসি ফেব্রুৱারী ২৫, ২০১৭ প্লেয়রস দে নুমিৎকী লাংজিং অচৌবদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়েলহৌমী নিংথৌদা ইনভাইট তৌদুনা নশাগী খুভম হঞ্জিনজরো হায়রম্বা কনা তাহৌই। পু অহুমদগী খৎনদনা খন্নরগা নিংথৌ খুভম হঞ্জিনবা ওইরসনু লাইনিংথৌ সনামহী শিদবা-শিদবীনা য়াইফরে, য়াইফরে, য়াইফরে।

*অদোমগী - তখেলম্বা মনি / তম্ফায়াই লুৱাং*
*দেপ্যুটি সেক্রেটরি য়ু এফ ও, শওম্বুং ব্রাঞ্চ, পি ও এন্দ পি এস লমলাই, ইম্ফাল ইষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।
২। ''তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্লা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।'' পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?
৩। ''হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।'' ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী 'ধর্ম্ম তত্ত্ব' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। 'অমেরিকাগী খোঙচত্তা' লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ময়াই কারম্বা ইকনমিক ব্লোকেদনা ময়াক চমখ্রবদা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৩১

**জিতেন নামৈরাকপম**

***য়ুনাইটেদ*** নাগা কাউন্সিলনা চথরকপা ইকনমিক ব্লোকেদ ঙরাং অহিংদগী হন্দোকখ্রে। হৌখিবা নবেম্বর ১, ২০১৬ কী অহিং নোংয়াইদগী হৌনা নুমিৎ ১৩৯ নি চূপ্পা মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনীদা চথরকপা ব্লোকেদ অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিসতা য়ু এন সীগা ত্রাইপার্টাইট টোল্ক ওইনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ানবা অমা পুরকপদগী ইকনমিক ব্লোকেদ অদু হন্দোকখিবনি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১ গী কুট ফেষ্টিবেল নুমিৎতা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট লাউথোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবা অমদি মখা তানা জিরিবামবুসু দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লাউথোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মতমদুগী লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট অনীমক শেল্লোই হায়বগী এসুরেন্স পীদ্রিমখৈ ইকনমিক ব্লোকেদ তৌগনি হায়দুনা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অদু চথরকখিবনি। অদুগদি মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট শেল্লোই হায়বগী য়ান-চে ইন্নবা, পীনবগী মহুৎতা দিসেম্বর ৮, ২০১৬ কী অহিং নোংয়াইদা সদর হিলসপু কাংপোকপী হায়না মমিং ওন্থোক্লগা জিরিবাম য়াওনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেল্লে হায়না লাউথোরকখি। লোয়ননা অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সী, এস পি খুদক্তা এপোইন্ট তৌদুনা মথৌ পুবা হৌহনখ্রে। থৌদোক অদুদা য়ু এন সী অমদি নাগাখক্তদা বেজ তৌবা ওর্গেনাইজেসন খরা খোইদৌ থিৎপা নত্তনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্বা হরাউনখি। ইবোবী লৈঙাকপু মরম চাবা থবক থৌনা ফনা পাঙথোকই হায়দুনা মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি।

অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিং হেক লাউথোরকপদগীদি য়ু এন সীনা চথরকপা ইকনমিক ব্লোকেদ কনশিনবা হেল্লকখি। মাওদগী ইম্ফাল তম্না পোৎ চৈ পুবা গাড়ীশিং হেন্না খুদোংথিবা নংখি। জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না থৌরকপা ত্রকশিংসু অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। গাড়ী কয়া মৈ থাদোকপীখি, নোংমৈ ফাওবা মশীং খঙদনা কাপশিল্লক্তুনা দ্রাইভর, হেন্দিমেনশিং অশোক অপন নংখি। ইম্ফাল মোরে লম্বীদসু নোংমৈগী লান তৌরক্তুনা মীশি মীনা কয়ারক থোকপা লৈখ্রে। নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং মতিক চানা পুশিল্লকপা ঙমদবদগী মণিপুরগী মীয়াম পূম্বা অৱাবা নংনখি। পোৎ চৈগী মমল তাঙনা তাঙনা লৈনখি। ইকনমিক ব্লোকেদকী মায়োক্তা কাউন্টর ব্লোকেদ অমুক তৌশিল্লক্তুনা চীং অমসুং তমদা লৈবা মীচম মীয়ামগী মরক্তা মুক্লবা কয়াসু থোকখি। পোৎ চৈ কয়া চাইখাইদুনা মাঙহনবা অমদি গাড়ীশিং মৈ থাবগী থবকসু চথুনরকখি। য়ু এন সীনা চথরকপা ইকনমিক ব্লোকেদকী হাক্তক্তা লমদম অসিগী মীয়াম খম থেংনা ৱানখি। মায়কৈ কয়াদগী ওর্গেনাইজেসন কয়ানা মণিপুরগী লৈঙাক অমদি ইন্দিয়াগী ময়োল লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ব্লোকেদ হন্দোকপীনবা কয়ারক হায়জরবসু য়ু এন সীনা তাবিবা কৌবা লৈখিদে। দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকখিবা হন্দোক্ত্রিফাওবা খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না মুক্তুনা অদুম লৈখি।

মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনীদা পোৎ চৈ, চান-থক্লবা অমদি পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুশিল্লকপা থিংজিনখিবনা অৱাবা নংহল্লিবসি তম্পাক লমদা খুন্দাবা মীওইশিংখক্তদা নত্তে চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীচম মীয়ামশিংদসুনি। পোৎলম অয়াম্বা মণিপুরগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফাল তম্না পুশিল্লক্লগা মায়কৈ শিনবা থুংনা য়েন্থোক্লখিবা, পুশিন্নখিবা মক্তনি। মাওদগী সেনাপতি ফাওবগী মরক্তা লৈবা খুনশিং নৎত্রগা সেনাপতিগা নক্লবা খুন খরখক্তংদি দিমাপুররোমদগী দাইরেক্ট ওইনা পোৎলম খরা চিংশিন্দুনা ব্লোকেদকী চৈথেং অদুক হাক্লা নংদবা মঙায়। মদুসু পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংদি লন্নাই ওইনা চিংলুবা য়াদে। মণিপুর লৈঙাক্কী কোটাদা লৌরুরগা দিষ্ট্রিক্ট ৱাইজ এল্লোকেসন থোক্লগা য়েন্থোক্লবা তাবনি। মরম অদুননি নাগা লূপ খক্তদা বেজ তৌবা ওর্গেনাইজেসন খরনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট অমদি কুকিং গ্যাস য়াওনা চিংশিনবা য়াহনবিয়ু হায়না হায়জবা লৈখি। মরম অদুনা মশানা তৌজবা ব্লোকেদকী চৈথেং মশামক্তা নংলে হায়বদু উৎখ্রবনি। অমরোমদসু উখ্রুল, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা তাবা খুঞ্জাশিংদি ইম্ফাল ময়োলদগী পোৎলম পুশিনবা ফংলক্ত্রবদা ফেরে ফেরে হাইনা খাঙবগী অৱা চৈথেং নংনখ্রবনি। অদুবু কুইর-কুইরক্লগা ইকনমিক ব্লোকেদকী ময়াক চম্লকই। ভোটতা ঙাউনরিঙৈ, ভোটকী ঈরাং মরক্তা মীচম মীয়াম পূম্বা ব্লোকেদকী ৱা কাউথোক্লরকই। পাউচেশিংদসু নুমিৎ খুদিংগী বন্দ-ব্লোকেদকী মরমদা লমাই খুদিংগী চবাক-চবাক হাপ্নরম্বদু কনাসু ইনরকখিদ্রে, অতোপ্পা বর্নিং ইস্যুশিংদা ওইনা ইনরকখি। ব্লোকেদ মখা চথুরি হায়বগী ৱা পূমকাউ কাউথোরক্লে। মরমদি হান্না হান্নগী হামু হামুগী ফীভমদা লৈনরকপগী মথক্তা ইম্ফাল ময়োলদা ফংদবা পোৎ অমত্তসু লৈরক্তে। চেঙ-চাক, থাউ, থুম, আলু, হৱাই অমদি নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংগী মমল নোর্মেলদা হন্থরকখ্রে। লুপা ৪০/৫০ পীরম্বা আলুগী মমল লুপা ১৫/২০, তিলহৌসু কিলোদা লুপা ২৫/৩০ দা হন্থরকপগী মথক্তা ক্যু শাংনা লেপ্নরম্বা পেট্রোল পম্পশিংদা ক্যু লেপ্নরক্ত্রে, ওপন সেল তৌরক্লে। ফীভম অসিদা য়ু এন সীসু ইকনমিক ব্লোকেদ মখা চথুরকপদা তনবা ফাওরকপা ওইরম্বসু য়াই, হৌজিক্তি হন্দোকখ্রে।

নহান সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী হেদ ক্বার্টরসতা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শান্নবদা য়ানবা পুরকপদগী ব্লোকেদ হন্দোকখিবনি হায়রগসু দিষ্ট্রিক্ট নৌনা শেমখ্রবশিংবু অনৌবা লৈঙাক অসিনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লকপদি য়াগনি হায়বা থাজদে। মখা তানা ৱারী শান্নগনি হায়রগসু য়ু এন সী অমদি এন এস সী এন (আই-এম) গী অপাম্বা হেক য়াথোক্লবা মতমদা হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি খুদক্তা কায়রকপা য়াই মদুগীসু মথক্তা য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদতগী হেনবা য়াম্না শাথিবা ঈরাং থোরক্কনি। মীশি মীনা শোয়দনা য়াওরক্কনি, মণিপুর মৈ চাক্লক্কনি। পূন্নমক অসি মনুং হুৎনা খঙলবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী মীহুন খঙনা থবক শোয়দনা তৌরক্কনি। ৱারী শান্নরিবনি হায়দুনা য়ু এন সীবু থেল্লগা থম্বা নত্তনা উপায় লৈরোই। দিষ্ট্রিক্ট মশীং হেন্না খায়দোরক্লিবসি এদমিনিষ্ট্রেসন নুংঙাইনবনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন খঙহনবসু মথৌ তারি। হৌজিকপু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা কোনবা মফমদা লৈরিবা মীচম মীয়ামশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেন হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লগনি, কিলোমিটর ২২৫ লাপ্পা ইম্ফাল ইষ্টকী হেদ ক্বার্টরস পোরোম্পাৎতা ওফিসকী ওইবা চে চাং তান্নবা, ফাইল প্রোসেস তৌবা লাকউ হায়রুবদা হরাউবগী মহুত্তা লান তৌনরসিদুম হায়রক্লোইদবগী মরম লৈতে। কাংপোকপীসুনি চৎথোক চৎশিনগী, মতম মাঙহনবা, গাড়ী অতোংমল হেন্না তিংহন্নবা সেনাপতি তান্না লাক্কদবনি হায়রুবদা মীশি মীনা থোরক্কনি। মৈ য়াম্না চাক্লক্কনি। য়ু এন সীদগী হেনবা অকনবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরগে হায়রক্কনি। হৌখিবা চহীশিংদসু সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিনা নুমিৎ ১০০ নি হেনবা ব্লোকেদ চথখিবা লৈরবনি। পূন্নমক অসি খন্থবিরগা য়ু এন সীনসু দিমান্দ অমা তৌবা মতমদা মণিপুরগী মীয়ামবু খম থেংনা ৱাহনবা, সুপ্রিম কোর্টনসু মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবনি হায়না লাউথোকখ্রবা ইকনমিক ব্লোকেদ অমুক হন্না তৌবিরক্তনবা পাউজেঞ্জরি। হিংসাগী ওইবা থবক্লা খোঙজং খুদিংমক্তা লন-থুম মাঙহনবা, মীশি মীনা থোকপা নত্তনা করিসু কান্নবা পুরক্তে। হন্দক্কী নুমিৎ ১৩৯ নীগী ব্লোকেদনা মতম খ্বাইদগী শাংবনি হায়বগী রেকোর্দ থমহৌবা নত্তনা ময়াক চম্লগা তোকখিবদুনা শাখিনি।

## ৱাহং মীয়ামগী ৱাহং

# ''কৈদৌঙৈ তংদু লৈতানা হিংগনি ইরমদমসিগী মীয়াম''

**— এ কে ইবোমচা —**

***মরম*** খুদিংমক্তা শোথরবা ইরমদমসিনা তংদু লৈতানা পূন্না হিংমিন্নগদবা মতম অসিবু কৈদৌঙৈনো? চৎনলোন, থকসি-খাসি পূন্নমক মাঙখ্রে। অমগা অমগা পুনশিন্নবা য়াদনা থুগাইবীখ্রবা ইরমদমনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙনা খঙনা ঙসি ঙসিমকসু পুনশিন্নবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙমদনা লৈরি। মশা মশাগী হৌরকলোন থিরগা নৈনবগী মহুৎতা মীরমগী চৎন-লোনচৎপু মথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা মীতৌ তম্বগা লোয়ননা মরোমদোম হিংবগী ৱাখল্লোন মাঙখ্রবা ফুরুপ অমগী শক্তম তপ্পা তপ্পা লৌরক্লি। মসি কাইথরক্লিবা খুন্নাই অমগী মনুংদা হিংলিবা শোন্থরক্লবা ফুরুপ অমগী মচৎনি হায়বা তাই। অশোয়বা পূন্নমক চুমথোক্কে খন্না খন্না চুমথোকপা য়াদনা লৈরিঙৈসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মীশুম ঈশৈদা পংথদুনা মচিন্দা হোয় হায়রগা ইরমদমসিগী নহারোল কয়ানা অরানবা লম্বীরোমদা তপ্পা তপ্পা মখোং থাংবা হৌরক্লি। থিংবীনবা য়াওদনা মা মাগী তৌনিংবা তৌনিংবতা তৌদুনা ইরমদম অসিগী খুন্নাইলোনগী পুৱারী কয়াবু মচেৎ মচেৎ শেগাইদুনা লংথোক্লগা মীরমগী ইথক ইরাংগী ইচেল্লক্তা তিন্দুনা মাইওন খঙদনা তাওথরক্লি। লোয়ননা পুৱারীগী ৱারীরোল পূন্নমক ইরমদমসিদগী তপ্পা তপ্পা মমি শাল্লক্লি। অশোনবতা শরুক ওইরবা মরমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ইরমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপ পূন্নমকপু ফোংনা শিংনরক্লে। ইরমদমসিদা হিন্দুইজম্না থম্মোয়নুংদা শংখিবা মচুদুনা কোকপা ঙমদদুনা ইরমদম অসিগী নিঙোল-পিবাশিংনা মশাগী ঈ মরী পূন্নমকপু হন্না য়েংলমদনা মীতৌ তম্বরোমদা চেনখিবা লমজেলনা লমথুংফম য়ৌরক্কদৌরে। খন্থরক্তুনা তুং হন্না য়েংলকপদা তামহৌরবা ইরমদম লমনুংশি কংলৈ ইরমদমদি ময়াং শেকপী ময়ামগী মহুম ওন্থোক্লক্লে। লমথুংফম য়ৌনা চেনবদা মাঙজিন থাখিবা রাসেশ্বরি পালা-নট-সংকৃতন্না মনা মথুম কয়া ফংলকখি। মখোয়না ফংলকপা মনাফি অদুনা মীগী মমা পেন্মা শকহেনবীদুগী লেংবান্দা য়ানখিবা, অদুগা থাবুম তরা নাওপুদুনা মচাবু করিদা শোই ঙামখিগদগে খনবদা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ ৱানা খাঙখিবী মপারী মমোম চাউনবা য়োকপদা ৱাজরক্লবা, কলাপ কুরু শুংলবা, মপাঙ্গল শোল্লবা, মতোং য়াওদনা উনশানা শরু পোলাং কুপ্লবা পলেম পন্থৌদুবুনা লুখাক কোমদা ইন্থবীরম্বা ইকায়বা পোকপা পূন্নমকসি উরুরগা পুৱারীগী ৱারীরোলবু চেৎনা কোনজরিবা মীয়াম্নদি মীমান্নদনা উবিরবা, লমহেন তুহেনবা ময়াম্বা-মনাওশিং মমাগী খোমলাং মুন-মুন্দুনা থকতোকপীবদগী খোমকক্লাই চুরবা, কুম লায়নানা নারবা কয়া অমনদি ইরমদমসিবু তংদু লৈতানা কৈদৌঙৈ হিংগদগে হায়দুনা খোঞ্জেল থোক্তনা থম্মোয়নুংদা তেংথারি। থিংবীনবা য়াওদনা থম্মোয়নুংদগী ঈহৌরকপা মীৎকী পিরাংনা নুংশুক নুংজানরবা মায়থোং পুমচোৎ চোৎ উপাই লৈতদুনা খোংবীনা লৈমায়দা তক্তুনা নিঙমদা মৈচাক খাংলি। খূৎতা য়োপাক, থাংজৌ পায়দুনা ইপা ইপুগী লৌমন্দা লৌরাং শুবা চৎখিবা কংলৈ ইরমদমগী মপারী মমোম ওইরিবা পাঙ্গলবশিং নরানয়াইদা হল্লকপা মতম য়ৌদ্রিবরা? কংলৈ নরমদম লাইগী লৈবাক্লি হায়নবা কংলৈপাক কাং-খোং চাইরে। লৌ মপু য়োংনা তান্দুনা কংলৈ য়েলহৌমীশিংনা ইরমদমসিদা মীচেল ওইরক্লে। নচে-নচল কয়াবু লৌনম চাওবা য়েক্লবশিংনা শরাক তম্বা, ওৎপী নৈবীবগী তেংথাখোলনা নাকোং শিংজা য়ৈরক্লে। লমদমসিগী য়েলহৌমী পূন্নমক্লা চীংয়া তময়াদা কোয়না চৎতুনা লৌতাংশঙ থি থিদুনা পুন্সি হিংফম থিরক্লে। ইরমদমসিদা মীতোপ মীয়ান লৌনম চাউবশিংনা লৈঙাকলোন্দা খূৎ থিংজিল্লক্লে। তুহৎ নৈহৎপীবগী নিঙমদ্রবা তেংথাখোল ময়ামদুনা নচে-নচলশিংগী থম্মোয়নুংদা খোমজিন তাশিন্দুনা নখোয়না নয়ূম মায়কৈ পাংলকপদা পাউদম্নবা মমি উদবা ময়েক্লা থম্মোয় লায়ুমদা ইদুনা থল্লিয়ে। নখোয়না নরানয়াই য়ৌরকপদা চাননবনি হায়দুনা লমগী ষণ মচি শাংবশিংনা মরু কোক্লা, কোক্লা চাথোকপীখ্রবা ইঙ্খোলদগী মহৌশা লাইরেম্বীগী পারী পান্থোম চাওনবা চউম এঞ্জাং পেরুক চমফুৎ ফুৎতুনা, ইরমদমসিগী মচেৎ তারবা পুৱারীগী লিক্লমদুগা লোয়ননা শেম্বা পলেম ইমানা চউম্বীবদা লেমহৌবা তরা চাকনিংখাক অদুগা লোয়ননা নখোয়না চান-থক্লবা থৌরাং তৌদুনা ঙাইরিয়ে। ইপাম খাম্বী মৈহৌরে ইচেমগী ইদুনিংথৌ লৈতবরা খাম্বী মৈকলরো হায়দুনা তেংথা নাওইরিয়ে। মতাংসিদা মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি ঐখোয়না ইরমদমসিদা করম্বা মতমদা মান্নবা লিচিং অমগী মখাদা তংদু লৈতানা হিংবা ঙল্লক্কদগে হায়বসিনি।

মতাংসিদা ইজরিবা ইশাগী ৱাখল্লোনদি মতিক চাবা, থম্মোয় শেংবা ইরমদমগীদমক মপুন্সি কৎথোকপা ঙম্বগী থৌনা লৈবা, মীয়ামগী ৱাখল্লোন নিংথিনা উবা ঙম্বা মতিক ময়াই লৈবা লুচিংবা অমা মথৌ তারে। অদু নৎত্রিবা ফাওবা ইরমদমসি মৈশা লাংখিগনি হায়বসিনি। ৱাফমসি ইরমদমসিগী য়েলহৌমী পূন্নমক্লা তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরমদি ইরমদমসিদা মীরমদগী লংফৈগী শেন্দান লম্বীদা লাকপা মীয়ানচাশিংনা ইরমদমসিগী ৱাখল মান্নদবা ময়ামসি উরগা লৈঙাকলোন্দা ফাওবা খূৎ থিংজিন্নবা থৌরাং তৌরক্লিবসিনি। মসিনা তাকপদি ইরমদমসিদা মীয়ামগী খনবা মতিক ময়াই লৈবা, কৎথোকপা ঙম্বা লুচিংবা লৈত্রে তাকপনি। লৈরবসু থোক্লক্ত্রে হায়বনি। পূন্নমকসি ইরমদমসিগী ফমজাও পায়বা লৈঙাকলোন্দা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা তৌবা ঙম্বীবশিংনা খন্থহৌবা ৱাৎপদগীনি হায়নীংই। ইরমদমসি চাওখৎলবা জপান, অমেরিকা, সিঙ্গাপুরগী ফজবা ময়ামদু উরুরগা মতৌ তম্নিংবনা ঙাওদুনা মোন্দ্রুং শান্নরিঙৈদা চাওখৎ থৌরাংদা লাইচুরুবনা মপান লমদগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মতমগী অওনবদা হুমজিল্লকপদা য়াওরকপা তিঙ্খাং তুম্মৌ ময়ামদু হন্না য়েংলুদবনি হায়নীংই। অদুগুম্বা তিঙ্খাং তুম্মৌ ময়ামদুনা ঙসিদি মশিং য়ামশিল্লক্তুনা ইরমদমসিগী য়েলহৌমীশিং য়ূমদগী হেন্দাক্তুনা লৈঙাকলোন্দা ফাওবা য়ুবা হৌরক্লে। পূন্নমক অসিগী থৌদাং ইরমদম অসিগী মচিন মৱা চৎপা, ফমজাউ পায়দুনা লৈঙাকলোন্দা মতম শাংনা শরুক য়ারক্লবা মমিৎ উনা উনা তাঙলবা, মনা তানা তানা তাশিন্নদবা মশাখক্তগী খনবা, ইরমদম শেমগৎ শাগৎপগী মীংদা মরন মথুম লেপশিনবা মীলোনবশিংনা পুফম থোকই। লৈবাক শেম্বা, মীয়ামগী খনবা মীওইশিংদি শিখ্রবসু মোঙফম থিদুনা মীৎকী পিরাংগা লোয়ননা মোঙফমদুদা লৈ কৎনবনি। লৈবাক কায়নবা শিনবা মাঙ তাক্লবগী ৱাখলদা তাওদুনা মথন্তগী খনবা মীওইশিংদি শিখ্রবা মতুংদা মাগী মোঙফম অদুদা অশাউবগা লোয়ননা তিন শিৎকনি। মসি ইরমদমসিগী লৈবাক নুংশিবা শাবা লুচিংবগী মায়খুম উপ্পা, কপশিন্নরগা শেন্দোং তানবশিংনা খঙবীবা চুমগনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মতমসি মমাঙঙৈগী তুম্বানা ফুরিৎ কুদাম পান্দুনা শীজিন্নরিঙৈগী মতমদু নৎত্রে, কম্প্যুটরগী মতমনি। ইরমদমসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা মশাগী ইঙ্খোলদা ষণ চঙদনবা শম্বল খানৈ। করিগুম্বা শম্বলদু নমখায়দুনা ষণ চঙলকপা তারবসু তান্থোক্লে। অসিগুম্বা মতাংসিদা জিরিবাম লমদমদা ইঙ্খোল মপু লৈনা লৈনা লমলক্কী ষণনা ইঙ্খোলদা চঙলক্লগা কুন্দুনা লৈবদা ইঙ্খোল মপু ওইবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবনা চঙলক্লিবা ষণ ময়ামদু তান্থোকপগী মহুত্তা য়োক্লগা থল্লিবগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো? ষণথি খরা ফাইরমগনি খনবগীরা নৎত্রগা ফমফমদুদগী হৌগৎপা তনবগীরা? মসি মীয়ামগী ৱাহংনি। মতাংসিদা মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি তোঙাল্লি, ঙাঙনরক্লিবদি মশানা য়োকচখিবা শজিক মবুক থন্না চাজসনু খন্দুনা থমখিবা লমষণ ময়ামদুনা ইঙ্খোলগী মনা-মশিং ময়ামদু চাবা লোইরক্তুনা চানিংঙাই লৈরক্ত্রদুনা ষণ ময়ামদুবু মপু শাদুনা য়োক্লবা নুপাদুগী মনাক্তা চেনশিল্লক্তুনা ৱাইবদা ফমফমদগী ওন্থদুনা লৈমাইদা তারে হায়বসিনি। মসি ঙসি ঙসিমক ঙাঙনরিবা ৱাফমনি। শম্বল উয়ুংনা শুম চারবদা পৈয়াদুনদি করি তৌরুনি, হেন্না হেন্না লমলক্কী মপুনা থাদোকপা লমগী ষণ ইরমদমসিদা মশিং অসুম য়ামখৎলকখিনি। ৱাফমসি জিরিবামদা নত্তে চহী খরগী মতুংদদি ইম্ফাল ময়োন্দসু জিরিবামদা থোক্লিবা য়েলহৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসিগা মান্ননা ইম্ফাল ময়োলগী লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈবীরবশিংদসু চৈথেং পীবা হৌরক্লগনি। মসি পূন্নমক ইরমদমসিনা লিংজেল মান্নদবা মীনুংশি চাওমন্দুনা ইশাদা চিল্লকপা তিম্ফা কাকফৈবু চিকচসনু মখোয়দি থবক শুবসু নত্তে ঐঙোন্দগী ঈ খরা থকচববু থকচসনু হায়দুনা লৈথোকপদগী ঙসিদি চিল্লম্বদগী হকচাং মনুংদা চঙখিদুনা লায়েংবা ঙল্লরোইদবা মীশিং হেনগৎলকপগী লায়নানা ইরমদমসিদা লায়ওং খঙদনা নারক্লে। মসিগুম্বা ময়ামসি মীয়ামগী লুচিংবশিং অসিনা উদবগুম তৌরি। মসিগুম্বা ময়ামসি ঙাকথোক্লবা হোৎনজরিবশিংবু তাথি তাওইনা তৌবী ওৎপী নৈবী। মদুগী খুদম আই এল পিগী ঈহৌ মনাদা হাপ্তে, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দগী ৱাফম দসবিন্দা থম্মী। লৈঙাক্কী লান্মীশিংনসু ময়াম্বা মনাও-মচে-মনেমশিং তুমিৎ কাং ওইনা উই লমগী ষণদনা সলাম কোৎলি, মসিনা ইরমদমসি চহী খরগী মতুংদা করি ওইরক্কনি খঙবা ঙমদ্রি।

মতাংসিদা মীয়াম্না হংনরক্লিবা ৱাহংদি, হৌজিক ইরমদমসিদা নৌনা লৈঙাক পায়রক্লিবসি ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাকনি। লৈঙাকসিবু লুচিংবীরিবা ইকায়খুম্নজরিবা নোংথোনবম বিরেননা বি জে পিগী লিচিং মখাদা ইরমদমসি তংদু লৈতাবা ইরমদম অমা ওইহন্নবা কদাই ফাওবা থৌদাং লৌরক্কদৌরিবগে হায়বসিনি। মরমদি ইরমদমসিদা চহী ১৫ লৈঙাক্লম্লবা তৌনিং তৌনিংবা তৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট শেম্নিংলে শেম্বা, থবক হাপনীংলে হাপ্পা, লম্বী পাকথোক্লিংলে পাকথোক্তুনা হাইনা হুম্না পাল্লম্বা কোংগ্রেস পার্টি ফাওবা ইলেক্সনগী কেম্প্যেন তৌবদা কন্দুনা লৈরবা চহী ১৫ লৈঙাক তৌরকপদা চোকথবা লৈত্রবা কোংগ্রেস পার্টি মপাঙ্গল কলহনসি হায়না লাউদুনা ইলেক্সন কেম্প্যেন তৌখি। অদুগা বন্দ, ব্লোকেদনা মমিৎ উইশিন্দুনা মনাকোং মেন্দুনা তাশিন-উশিন্নদনা লৈখি। উখ্রুলদা চৎপা খোঙচৎতা নোংমৈ কাপ্তুনা তাল্লকপদা ময়ূম য়ৌনবা চেল্লকখি। কামজোং দিষ্ট্রিক্ট শংকাবসু ইম্ফালদা কামজোং শারগা শংকাখি। অসুক শাথিরবা আইন লৈত্রবা লৈবাকসিদা চীফ মিনিষ্টরদা ফাওবা লান্দাবা ঙল্লবা লমদম অসিদা ইকায় খুম্নজরিবা অনৌবা লৈঙাক্কী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবা মমাঙ মমাঙগী ঈশৈ শক্লগা কাং-খোং চাইরবা ইরমদমসি মপূং ফানা তাশিন খোমজিনবা ঙমগদগে? নৎত্রগনা করম্বা ৱারক ৱাতেম্না নয়াম্বা ননাওশিং তোঙান চানীংদুনা লাংলিবসি ইংথহনগদৌরিবনো? মসি মীয়ামগী ৱাহংনি।

মতাংসিদা ইজরিবা ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোনদি অঙাং নিংঙাই ফৎতবনা ঙামোক য়াম্না চাই হায়বসি ইপা ইপুগী পাউরৌ ৱাহৈনি। মমা মপা ওইবশিংনা নিঙাই ফৎতবা মচাশিংদনা হেন্না লুনা তৌই হায়নৈ, মসিসু অচুম্বনি। চাক য়াম্না চাবা ফংনবা নিঙাই তৌবদি নুংশিবা পোকই। য়ারোইদবা, ওইরোইদবা তোংজৈ মরীন্দা শামু লিৎহল্লু হায়রক্লবদি ফাগী তাদুনা তোক্কনি। অদুগা শানোংবনা হিগী ৱাহৌদগী মরৈবাক্তা লৈবা ফংখিদবগী ৱারীসু শুমাং কুম্মৈগী ফজনবা অইবশিংগী ৱারীরোল নত্তে। পূন্নমকসিনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক্লা হংনরিবা ৱাহংদি কৈদৌঙৈ তংদু লৈতানা হিংগনি ইরমদমসিগী মীয়াম হায়বসিনি। মসি মীচম মীয়ামগী ৱাহংনি।